# থাদৌ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৱিন্নর টি এস এ তেংনৌপল চান্দেলনা ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচএনএস): থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (টি এস এ) তেংনৌপল অমদি চান্দেলনা শীন্দুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোলনোই এরিয়া প্লেগ্রাউন্দদা থা অসিগী ১৮দগী চথ্রকখিবা অনীশুবা থাদৌ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি লোইশিনখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর হোষ্ট টিম ওইরিবা টি এস এ তেংনৌপল চান্দেলনা ওইখ্রে। অদুগা পাওসৈ মেমোরিএল টিমনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা চথ্রকখিবা অনীশুবা থাদৌ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী আর দি মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা অথোইবা মীথুং, ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর নেমচা কিপজেননা অখন্নবা মীথুং অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট ক্যের কম্মিটি মেম্বর য়াঙলেট হাওকিপনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা টি এস এ তেংনৌপল চান্দেল অমদি পাওসৈ মেমোরিএল টিম লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা চেম্পিয়ন ওইনবা অকনবা মওংদা তক্লদুনা লম্বা তৌনরকখি। অদুবু টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা অদুদগী হেন্না ফজনা লম্বা তৌনরকখি। হাফ অসিদসু টিম অনীনা হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নখিবনা অপীবা মতমগী মনুংদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবা অদুদা টি এস এ তেংনৌপল চান্দেলনা পাওসৈ মেমোরিএল টিমবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট গোলকিপরনা টি এস এ তেংনৌপল চান্দেলগী শান্নরোয় মোঙ কোমনা তাখ্রে অদুগা বেষ্ট প্লেয়র অমদি টোপ স্কোররগী মনানা পাওসৈ মেমোরিএল টিমগী মথংশিংনা দোনগিন মাতে অমদি হাওপুনৈ হাওকিপনা ফংখ্রে। ৱিন্নর ওইখ্রবা টি এস এ তেংনৌপল চান্দেলদা লুপা লাক্ষ অমা অমসুং ত্রোফি অমসুং রন্নর্স-অপ তাখ্রবা সাওসৈ মেমোরিএল টিমদা লুপা লিশীং ৫০ অমসুং ত্রোফি পীখি।

# হৌরক্লিবা নহাশিংবু মশা-মউ ফনা লৈনবগীদমক থাঙ-তাবু সবজেক্ট ওইনা স্কুলশিংদা তম্বা হৌহল্লকখিবনি : সুরজ

থাংজম অরুনজিৎ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩০ (ঐচএনএস): থাঙ-তানা এদ্যুকেসন্দা য়াওরক্লিবগী মরু ওইবা মরমদি হৌরক্লিবা নহাশিংবু মশা-মউ ফনা লৈনবা অমদি থাঙ-তাবু য়োকখৎনবগী পান্দমদা কুমজা ২০১৪দগী হৌনা কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্ট এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স) না চাউরবা থৌদাংগা লোয়ননা স্কুলশিংদা সবজেক্ট ওইনা তম্বা হৌহল্লকখিবনি হায়না কিমাক্সকী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি থাংজম সুরজনা পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, কুমজা ২০০৭তা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর ওইরম্বা ওজা আর কে নিমাইনা চ্যেরমেন ওইদুনা থাঙ-তাগী কম্মন সিলেবস অমা শেমখি। মসি য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট, আর্ট এন্দ কলচর অমসুং এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা কম্মিটি শেমখি। কম্মিটি অসিনা থবক তৌরক্তুবদগী কুমজা ২০১৩দা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোর্দ) কী ওইবা কম্মিটি অমা শেম্বদা কিমাক্স অমসুং থাঙ-তাগী খঙ-হৈরবা ওজা কয়া য়াওখি। মথং চহী ২০১৪দগী থাঙ-তা অসি ক্লাস নাইন্দা তম্বা হৌহল্লকখি। কুমজা ২০১৫ নংনবা অমুক য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ক্লাস টেন্দা তম্নবা লাইরিক অমুক ফোঙখি। মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০১৬তা মেট্রিক এগজামদা সবজেক্ট অমা ওইনা য়াওহনখি।

বোর্দনা লৌবা মেট্রিক এগজামদা পূন্না মহৈরোয় ৪০০ রোম থাখি। মখা তানা কাউন্সিলদা তম্বা নংনবা কিমাক্সকী রিপ্রজেন্টেটিব, থাঙ-তাগী ওজা অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী ওজা খরগা লোয়ননা সিলেবস কম্মিটি শেমখি। মখা তানা কন্না হোৎনদুনা ক্লাস এলেভেন, টুয়েল্বতা তম্নবা লাইরিক ফোঙখি। কুমজা ২০১৮দদি কাউন্সিলনা লৌবা এগজামদা সবজেক্ট ওইনা য়াওখি। হৌজিক ফাওবদা বোর্দনা লৌবা ক্লাস টেন এগজামদা থাঙ-তাগী মহৈরোয় ৪৫০০ রোম পাস তৌখ্রে। অদুবু ক্লাস টুয়েল্ব য়ৌরকপা মতমদদি মহৈরোয় ইপু পুথোকপা ঙমদে। মরমদি ক্লাস টুয়েল্বতদি হৌজিক ফাওবদা মহৈরোয়শিংনা থাঙ-তাবু য়াম্না পামজরবসু তম্বগী খুদোংচাবা লৈতে। মসিদা স্কুলশিংনা কিমাক্সনা চংশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা কো-ওপরেসন পীবিরবদি অতেনবা মতমদা শোয়দনা ক্লাস টুয়েল্বতসু মপূং ফানা থাঙ-তা সবজেক্ট ওইনা তম্বীবা ঙমগনি।



ক্লাস টেনদা পাস তৌখ্রবা মহৈরোয় লিশীং ২ অদু ক্লাস টুয়েল্ব য়ৌরকপা মতমদা মখোয়গী তম্ফম লৈতে। থাঙ-তাবু সবজেক্ট অমা ওইনা স্কুলশিংদা তম্বীরি। মদুদা কিমাক্সনা শীন্দুনা থাঙ-তাগী ওজা কয়া অমা থাদুনা তাকপী তম্বীরি। ওজাশিংদা তোলোপ পীবা মতমদা হস্থনা পীবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অসি কিমাক্সকী মায়কৈদগী অসিগুম্বা অসি হোংদোকপীনবা ফোঙদোরক্লি। থাঙ-তা চাওখৎনবগীদমক গভর্ণমেন্টকী ওজা লৌবদা থাঙ-তাগী ওজাসু হাপ্পবা কিমাক্সনা য়াম্না কন্না হোৎনরি। রিক্রুইটমেন্ট রুল শেমদুনা হায়র ওথোরিটিদা পীশিল্লবা মতুং অয়াবা পীরকপসু লৈরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# চেন্নাইয়িন এফ সীবু এ টি কেনা পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে

চেন্নাই, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি টামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ১১শুবা লীগ মেচতা য়ূম্বু চেন্নাইয়িন এফ সীবু কোলকটাগী এ টি কেনা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এ টি কেগী টিম অসি মমাঙদা মখোয়গী অহানবা লীগ মেচতা মায়থীবা নংখ্রবনি। মদুগী মতুং ঙসি চেন্নাইয়িনগা শান্নবা অদুদা মায় পাকখিবা অদু মখোয়গী ওইনা মপূং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি লম্বা তৌনখিবা য়ূম্বু চেন্নাইয়িন এফ সী অমদি এ টি কে ফুটবোল টিমশিং অসি হিরো আই এস এলগী তরুক্লকশুবা এদিসন অসিগী মনুংদা হৌখিবা এদিসন মঙাগী মনুংদা টিম অনীনা টাইটল ২/২ ফংবা ঙমখ্রবনি। অদুগা মমাঙগী এদিসনদা বেঙ্গালুরু এফ সীনা টাইটল ফংখি।

ঙসিগী মেচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা মান্নদা হৌরকখি। অহানবা হাফকী শান্নবা অদুদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা এ টি কেগী মায়কৈদগী চথ্থিবা এটেক অমদা দেবিদ ৱিল্লিয়মসনা পাঞ্জল চনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদু আই এস এলগী পুৱারীদা লিশীংলকশুবা পাঞ্জল ওইখি। মখা তাবা মেচ পাঞ্জল অহেনবা লৈনখিদবদগী এ টি কেনা চেন্নাইয়িন এফ সীবু ১-০দা থোইখি।






HL-B/55645/3-31oct.



HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.



HL-B/5751/19,20,21...



HL-P/5005/18-31/1-20 nov.



HL-B/5661/11sept-8Nov.(alt)




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com